**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশক খঙদোকবা অমসুং মরমদা হলহনখিনবা থবক পায়খৎনবা হাউস কমিতি অমা শেমবা মণিপুর বিধান সভানা ঙসি ৱারেপ লৌখ্রে।

২) মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেশিং মপুং ফানা ঙাক শেন্নবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা রাজ্য সভাদা পুখৎখ্রে।

৩) জিরিবামগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবা হৌখ্রে।

৪) উখ্রুল জিলাদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমবা থবক থৌরম জিলা অদুগী খুঙ্গাশিংনা পায়খৎলি।

অমসুং

৫) বঙ্গলাদেশতা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মেঘালয় সরকারনা লৈবাক অসিগা লোন্নরিবা ঙমখৈ পরিংদা মতম কক্তবা নুমিদাংগী করফিউ থমজিনখ্রে

------

বিরেন (এল) ঃ মণিপুরদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং মশক খঙদোকবা অমসুং মখোয় মশা মশাগী মরমদা হলহনখিনবা থবক পায়খৎনবা হাউস কমিতি অমা শেমবা মণিপুর বিধান সভানা ঙসি ৱারেপ লৌখ্রে।

ফুংয়ার কেন্দ্রগী এম.এল.এ লৈসিও কৈশিংনা পুখৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- লমদম অসিদা মীতোপ চংশিল্লকপা অসিনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিগী হোংলক্লিবা মীকোক মশিং অসিদা থাজদবা মীওই কয়া অমা লৈরি। মীতোপ চংশিল্লকপা অসি য়েংশিন্নবা অমদি খঙদোকবা ট্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলস মন্ত্রি লেতপাউ হাওকিপনা চেয়ারমেন ওইবা কেবিনেট সব-কমিতি অমা শেমখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সব-কমিতি অসিনা পীখৎলকপা রিপোর্ট অদুগী মথক্তা সরকারনসু অনৌবা নোটিশ অমা থোক্তুনা খুলগী লুচিংবশিং অমদি খুঞ্জাশিংদা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং চংহল্লক্তনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। ইং ২০০৬ তগী ইং ২০১৮ ফাওবদা আইন্না য়াদবা মওংদা শাজিল্লক্লিবা য়ুমশিংগী সেটেলাইটনা লৌবা ফোটোশিং সভাদা থল্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- হিরম অসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিগা তান্নখিবা লৈখ্রে। মদুদা প্রধান মন্ত্রিনা মণিপুরদা অহমেদবাদ লেন্দ লো চৎনহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খঙহল্লকখ্রে। মসিদসু নত্তনা ফোরেনরস এক্ট ১৯৪৬ কী মখাদা কেন্দ্র সরকারনা মীতোপশিং খন্দোকবা অমদি মরমদা হলহন্নবগী মতাংদা থবক কয়া পায়খৎখিবা লৈখ্রে। শ্রী বিরেন্না হায়-

আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা থিংনবা অমদি মরমদা হলহনখিনবগী মতাংদা হাউস কমিতি অমা শেমবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মণিপুর বিধান সভাদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু বিরোধি লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমসুং মহাক্কী দলনা থাগৎপা ফোংদোকখি অমদি মহাক্কী দলনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না সভাদা থাজবা থমখি।

এসেমব্লি (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথেম্বম বিরেন্না ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- উখ্রুল জিলা পায়খৎলিবা কোল্ড চেন প্রোজেক্ট চহি অসি লোইশিল্লকপদা শাবা লোইশিল্লগনি।

মণিপুর বিধান সভাদা ঙসি কংগ্রেসকী কে. মেঘচন্দ্রনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রোজেক্ট অসি পুন্না লুপা কোতি ৩ চংনা পায়খৎপনি। হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি অনিগী শেনফম কাইথোকখ্রে।

বিশ্বজিৎ (এল)ঃ পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি মণিপুর বিধান সভাদা হায়খ্রে- এম.এস.পি.দি.সি.এল অমদি এম.এস.পি.সি.এলগী গ্রুপ-দি অমদি সিগী থবক লৌনবা পাঙথোকখিবা অইবা চায়েংগী ফল চহি অসিগী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা হায়দোক্লগনি।

কংগ্রেসকী কে. রঞ্জিৎ সিংহনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ২০২০ দা পাঙথোকখিবা অইবা চাংয়েং হেক লোইবগা চহি অদুগী মার্চ থাদগী কোবিদ নাইন্তিন লাইচৎ লৈখ্রে। ২০২২ গী মীখল তৌরমদাই ফাওবা লাইচৎ অসিগী এস.ও.পি লৈবনা অথিংবা কয়া লৈখি। মীখল লোইরবা মতুং সরকার শেল্লবা তুংদা হৌখিবা সরকারগী থবক লৌবদা চয়েৎনবা লৈরিবা অদু লৈতনবা অমুক্কা হন্না স্ক্রুতিনি তৌনবা য়েংশিল্লিঙে চৈরক্তা মে অহুমদগী হৌরকখিবা ইরাংনা পরিক্ষা অসি হায়দোকপা ঙমদনা লাকখিবনি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা মৈগী টেকিকেল এসিষ্টেন্ট মশিং য়ামা লৌবগী তঙাইফদবা লৈবনা অথুবদা পরিক্ষা অসি হায়দোকবা হোৎনরি।

কংগ্রেসকী কে. মেঘাচন্দ্রনা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা টেক্সতাইল কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ বিভাগসু পায়রিবা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়- লুপা কোতি অহুম চংগদবা কোল্ড চ্যেন ষ্টোরেজ প্রোজেক্ট অসি মনিদকোগী মখাদা পায়খৎলি। প্রোজেক্ট অসিগীদমক হান্ননা লুপা কোতি অনি কায়থোকখ্রে। সরকার অসিনা চহি অসিদা প্রোজেক্ট লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি।

ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়রি- হৌখিবা জ়ন অমসুং জ়লাই থাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউ থেংননবা সরকারনা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া লৌখৎখি। ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী খুদোংথিবা থোরকপা অদু থিংননবা পৱার বিভাগকা তান্নদুনা মমাং থাগী ১ দগী ইথায় বরাজ হাংদোকখি। এম.এল.এ- কে. রঞ্জিৎনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

হৌজিক তাবীরিবা মণিপুরী পাউ অসি হেক লোইবগা হৌজিক চৎথরিবা ১২ সুবা মণিপুর বিধান সভাগী ৬ শুবা মীফমগী ঙসি চৎখিবা মীফমগী মতাংদা

বিধান সভাগী পাউদম তাবা ফংবীগনি। মদু লোইরবা মতুং মতমগী ৱাফম শন্দোকচগনি।

সনাজাউবা (এল)ঃ মণিপুরগী নেসনেল হাইৱেশিং মপুং ফানা ঙাক শেন্নবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা রাজ্য সভাদা পুখৎখ্রে। রাজ্য সভাগী মীফমদা এম.পি. সনাজাউবনা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা হায়- মণিপুর ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অসি মণিপুরদগী নাগালেন্দ অমদি অসাম ফাওরগা লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা ফাওনবা য়ামা মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবনি। অদুগা নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অসিনা মণিপুরদগী অসাম ফাওরগা লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা ফাওনরিবা মরুওইবা লম্বী অমনি। লাইবক থিবদি মণিপুর মীয়ামগী লাইফলাইন ওইরিবা লম্বী অনি অসিদা তৎতনা বন্দ অমদি ব্লোকেদনচিংবা কয়া তৌবা অসিনা লম্বী অসিদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপদা অয়েৎ অপন পীদুনা মণিপুর মীয়ামদা তোইনা খুদোংচাদবা মায়োকনহল্লি। মসিদসু নত্তনা পোৎ চৈশিংগী মমল ৱাংখৎপা অমদি পোৎ চৈ ফংনদবগী অৱাবসু ময়োকরি। মরম অদুনা লম্বীশিং অসিদা চহি চুপ্পা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোক্তনবা মতিক চানা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না সরকারগী পুকিং চিংশিনখ্রে।

জিরিবাম (এল) ঃ জিরিবামগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবা হৌখ্রে। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প ৮ গী মনুংদা ঙসি অহানবগী ওইনা চীংদোং লৈকাইদা লৈবা প্রাইমারি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পকী মীওই ১৩৩ ঙসি মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনদুনা লৈখ্রে। থৌরাং অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনখিবনি। চহি অসিগী জন্ ৬ তগী জিরিবামগী মোংবুং খুলদগী মীওইশিংনা মফম অসিদা চংজফম লৌদুনা লৈরকখিবনি হায়রি। ইনমেটশিংনা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবগী খোঙচৎ অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমার, সেনিয়র এস.পি, ৩৯ শুবা

অসাম রাইফলসকী সি.ও, ২০ অমদি ৮৭ সুবা বত্তাল্লিয়নগী সি.আর.পি.এফকী মকোক থোংবশিং, এ.দি.সি, নোদেল ওফিসার অমদি জিলা অসিগী অতৈ ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

তুংদা, পাউমীশিংগা উন্নবদা দি.সি. কৃষ্ণকুমারনা হায়- জিলা অসিগী মীয়ামা অমনা অমবু থাজবা থমদুনা অমসুং মতেং পাংমিন্নদুনা জিলা অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনমিন্নশি। ৱাৎহৌরিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংসু মশা মশাগী য়ুমদা অথুবদা হঞ্জিনহন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নশি।

উখ্রুল (এল) ঃ ভারত সরকারনা লৈবাক অসিদা নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থন্বগী চৎনবী অসি পুকিং থৌগৎতুনা লাক্লি। ইং ২০০১ দগী সরকারনা নৌনা শাবা স্কৱার মিতর ১০০ গী মথক্কী য়ুমথক লৈবা বিল্ডিং খুদিংমক্তা নোংগী ঈশিং য়োকপা হায়বদি রেন ৱাটর হরভেষ্টিংগী থৌরাংশিং শুকশোই শোইদনা য়াওগদবনি হায়না লাউথোকখিবা লৈরে।

মণিপুরগী উখ্রুল জিলা অসি চীংগী লম ওইবনা লমদম অসিদা ঈশিং মরাং কায়না ফংদবগী অৱাবা মায়োকদুনা লাক্লি। অদুবু জিলা অসিগী লুংহার ভিলেজদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থন্বা অসি পাক শন্না পাঙথোকরি। ইং ২০২১ দগী রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগনা লৌখৎলকপা স্প্রিং রিজ্‌বিনেসনগী পাইলোত প্রোজেক্ট অসিনা মীয়ামদা রেন ৱাটর হরভেষ্টিংগী থৌওং পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা ঙসিদি খুল অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংদা নোংগী ঈশিং য়োকশিনবগী হৈনবী লৈরে। মসিগা লোয়ননা খুল অসিগী অকোইবদা লৈবা ইফুৎশিং শেমজিন শাজিনদুনা ঈশিং মরাং কায়না থন্বা ঙমলে।

এআর (এল) ঃ অসাম রাইফলসনা লমদম অসিগী নহাশিংবু শান্ন খোৎনবা অমদি নুংশি চান্নবদা পুকিং থৌগৎপা ওইনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংকোক খুলদা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংগা অসাম রাইফলসকী জৱানশিংগগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা শান্নখ্রে। অমরোমদা, আগিবির অমদি সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সতা থবক চংনিংবা নহাশিংগী প্রিরিক্রুটমেন্ট ত্রেনিং অমা অসাম

রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি উখ্রুল জিলাগী সংসকতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা উখ্রুল অমদি কামজোং জিলাদগী নহা ১৫ না শরুক য়াখি। হৌজিক ত্রেনিং অসিগী অহুমসুবা ফেজদা নহা ১৪ অমা য়াওদুনা নহা কয়াদা থবক মতৌ করমা চংগনি হায়বগী ত্রেনিং পীরি। মখোয়দা লেমা লাইরিক লাইশু, চান থকবা অমদি লৈফম পীবগা লোয়ননা একাদমিক অমদি ফিজিকেল ত্রেনিংদা মায় ওনশিল্লি।

হেদ ক্বাটর আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী মখাদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পল্লেলদা লৈবা অসাম রাইফলস পাব্লিক স্কুলগী মহৈরোই অমদি ষ্টাফশিংগী মেদিকেল কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী লৈখিদ্রবা রাইফলমেন কুলবহাদুর গুরুংগী লৈখিদবগী কুমওন পালন ঙসি পাঙথোকপগা লোয়ননা মহাক্কী মফমদা অসাম রাইফলসকী জৱানশিং ইকায় খুমবা উৎখ্রে। ৫ শুবা অসাম রাইফলসকী রাইফলমেন কুলবহাদুর গুরুং অসি ইং ১৯৬৬ কী ওগষ্টতা মতমদুগী নেফা হায়না খঙনরম্বা অরুনাচল প্রদেশতা চাইনাগা খুৎ থোকবা লৈখিদবনি।

থৌবাল (এল) ঃ  সমগ্রাহ শিক্ষা থৌবালনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প অমা ঙসি থৌবালগী অথোকপম জ্নিয়র হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। জেদ.ই.ও জোন-থ্রিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু অখন্নবা মতেং দরকার ওইরবা অঙাংশিং মশক খঙদোকবা অমসুং হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবশিংগা য়ুনিক আই.দি শেমবগীদমক পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ইন্তেলেকচুয়েল দিসএবিলিতিদা অঙাং ১৭, হিয়ারিং ইমপিয়ামেন্টতা অঙাং ১০, ভিজ্য়েল্লি ইমপিয়ারমেন্টতা অঙাং ১২ অমসুং লোকোমোতর দিসএবিলিতিদা অঙাং ১২ পুন্না অঙাং ৫১ অখন্নবা মতেং দরকার ওইরে হায়না মশক খঙদোকপা ঙমখি। কেম্প অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী পি.এম.আর- সাকিয়াত্রিস, ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট, ওপথামোলোজিষ্টস, এপতোমেত্রিস, ই.এন.টি অমদি ওদিওলোজিষ্টশিংনা মহৈরোইশিংবু লায়েং চখিখি।

এলদিএ (এল) ঃ   লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিনা অনিরকসুবা ওইনা চম্পু খাংপোক ফ্লোতিং ভিলেজদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। চান-থকবা অমদি হিদাক লাংথকশিং য়াওবা পোৎলমশিং অদু খুঞ্জাশিং অমদি লৈকাই অদুগী মীহুৎশিংদা  খুৎশিন্নখি।

মীতিং (এল) ঃ   জোইন্ট এক্সন কমিতি ওন মরজর ওফ তফাই এরিয়া টু নোনে দিষ্ট্রিক্ট অমদি দিষ্ট্রিক্ট রিওর্গনাইজেসন দিমান্দ কমিতি লিয়াংমৈগী মীৎয়েং মখাদা কাংপোকপী জিলাগী মখান ভিলেজদা চুরাচান্দপুর জিলা অমদি কাংপোকপী জিলাদা খুন্দারিবা নাগা ত্রাইব ১৫ গী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন কাংপোকপীসু শরুক য়াখি। মীফম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট রিওর্গনাইজেসন দিমান্দ কমিতি (কাংপোকপী এন্দ চুরাচান্দপুর) হায়বা কমিতি অমা শেমখ্রে। কমিতি অদুগী কনভেনর অগাং গাংমৈনা ওইগনি।

বঙ্গলা ঃ  বঙ্গলাদেসতা মরক্কী ওইবা সরকার অমা শেমনবা ৱারেপ লৌখ্রে। বঙ্গলাদেশতা মতম কক্তবা করফিউ থম্লকখিবা অদু ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী লৌথোকখ্রে। অদুমওইনমক, অৱামি লিগ লুচিংবশিং অমদি মখোয়বু শৌগৎলিবশিংগী ময়ুম মকৈ লন থুমশিংদা এটেক চথ্খবগী পাউদি অদুমক লৈরি।

বঙ্গলাদেসকী মীয়ামদা রাষ্ট্রপতি মোহামদ সাহাব উদ্দিননা পীবা পাউজেলদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলগী লুচিংবশিং, সিভিল সোসাইতিগী মীহুৎশিং অমদি লান্মী মকোক  অহুম য়াওবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট দিজোল্ব তৌদুনা অথুবদা মরক্কী সরকার অমা শেমবা খন্নখ্রে। লোয়ননা মীফম অদুদা নেসনেলিষ্ট পার্টিগী চেয়ারপার্সন-খালেদা জিয়া য়াওনা ফাজিনদুনা লৈরিবা রাজনীতিগা মরী লৈনবা মীওইশিং থাদোক্লগনি হায়নসু মীফম অদুদা য়ান্নখি।

বঙ্গলাদেশতা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মেঘালয় সরকারনা লৈবাক অসিগা লোন্নরিবা ঙমখৈ পরিংদা মতম কক্তবা নুমিদাংগী করফিউ থমজিনখ্রে। পনবা য়াবদি, রাজ্য অসিগা বঙ্গলাদেশকা লোন্নরিবা ঙমখৈ পরিং

অসি কিলোমিতর ৪৪৩ নি। অমরোমদা, ইরাং অসিগা মরী লৈননা সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্লিবা অসি থাজবীদনবা নোংচুপ বেঙ্গল পুলিসনা খঙহল্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা নোংচুপ বেঙ্গল পুলিসনা হায়- বঙ্গলাদেশতা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা ভিদিও অমদি পোষ্ট কয়া সোসিয়েস মিদিয়াদা লান্না শন্দোকপা থেংনরে। অরানবা অমদি অনৌবা ত্রেপ ওইবা য়াবা অসিগুম্বা অসিদা থাজবীগনু অমদি অসিগুম্বশিং অসি মখা তানা থাগৎপীদনবা খঙহল্লি। ৱেষ্ট বেঙ্গল এদমিনিষ্ট্রেসন হৌজিক মীকুম নাহুম শিংনা লৈরি। মীয়ামা চেকশিন্নবা মীপাইবা লৈতনবা অমদি শান্তি ওইনা লৈবিনবসু আপীল তৌরি।

মরক অসিদা, বঙ্গলাদেসতা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগা মরী লৈননা ভারত সরকারনা রাজনিতি দল পুমমক্কী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে। নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মপান থৌরম মন্ত্রি- ডা: এস. জয়শঙ্করনা বঙ্গলাদেশতা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ, ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ, হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দ, বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধি, টি.এম.সি লুচিংবা শুদিপ বন্দোপধ্যায়, এন.সি.পি (এস.পি) লুচিল সুপ্রিয়া, আর.জে.দি লুচিংবা মিসা ভারতি, এস.পি লুচিংবা প্রোফেসার রামগোপাল যাদব অমদি দি.এম.কে লুচিংবা টি.আর. বালু য়াওনা অতৈ রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

------